# কল্লম্বা মফম মেনশিনবা ঙমদনা অসুম হাঙহৌরগনি
## (মণিপুরগী গিটরিষ্ট দল্লিয়ু সেমসননা লৈখিদবদা)

- নানি -

তাঙনা ফংজবা মমল য়াম্লবা মীওই কয়ানা অসুম-অসুম থুপখিবনা, মখোয়-মখোয়না কল্লম্বা মফমশিংদি মেনশিনবা ঙমদনা হাঙদুনা অসুম লৈহৌরি। মণিপুরদা মতম মতমগী ওইনা হীরম কয়াদা মাঙজিন থানা কখোকপগা লোয়ননা থবক পাংলম্বা অতাঙবা মীওইপোক কয়া অমা মাগী-মাগী মতমনা লোইরবদা মপু মাগী মনাক্তা চৎনখ্রি। লম্বীদা থৎতুনা নৎত্রগা চিন্দা পাউদানদুনা নুংশিজবা কনা অমত্তবু ঙসি ফাওবদা কনামত্তনা কনবা ঙমদ্রি। পেন্দমিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ অসিনা লাক্লমদ্রবদি কল্লম্বা য়াবনি মণিপুরী মতম ঈশৈগীদমক কখোকচরম্বা ইয়াম্বা ৱাহেংবম সেমসন। অদুবু তমথীরবা কোভিদ-১৯না ঐখোয় খুদিংমক্তগী নমদুনা শেৎতুনা পুবিখ্রে। মতম খরা লৈখিবা হেন্দোক্লা য়ারিবনি। মপাঙ্গল কল্লি, মথৌনা মাঙখিদ্রি, মরীল ময়েং তাখিদ্রি। অদুবু তমথীরবা ভাইরস অসিনা তাঙলবা ইয়াম্বা অসিবু পুদুনা চৎখ্রে। ঈশৈ কয়াগী শৈফমদা লেপ্তুনা চৎতুনা মচা মনাওশিংবু য়েংশিল্লম্মী। খুদোংথীবা অমা হেক তারকপদা মাঙজিল থানা চোঙথোক্তুনা ‘ইচা-ইনাও অমত্তা শোকপা য়ারোই’ হায়না অচৌবা চীংজাওগুম ফৈনা ঙাক্তুনা লৈরমখিবনি। ঈশৈ শকপসু নত্তবা, য়ৈবা-খোংবসু য়াওবা নত্তবদা নোংমদা পাঙথোক্লিবা ঈশৈগী শৈফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা নহাশিংনা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিংদা অশোয় অঙাম য়াওদনবা কন্না হোৎনজরম্মী। লম্বীদা করিগুম্বা খুদোং চাদবা অমা লৈরে তাবদা অহিং তূমদুনা ময়ূমদা লৈবা ঙমখিদে। খোঙবু চাবা থিদুনা খুদক্তা মফমদু য়ৌনবা হোৎনখি। মসিবু কনানা করম পাক হেক কাউবা ঙমগদগে?

ৱাহেংবম সেমসন, মশা-মউ য়াম্না ফৈ, ৱাং চাউই। মপাঙ্গলসু কল্লি, মচিন মখাসু য়াম্না য়াঙই। হায়নীংবা ৱা মথম্মোয়দা পল্লগা থন্বা হৈতে। হায়নীংবদো গ্রোং-গ্রোং হেক্তা হায়দোকই। মানা হায়দৌরিবা ৱাদুনা মীনা করি খনখিগদগে থোইনা খল্লোই। মাগীদি হায়খ্রগা লোইরে। ৱাদু শোইরবসু, থংনবা মীৎকুপ্তা ঐ শোয়খ্রে হায়রগা মরূ মরা তানা লৈহৌদে। অদুম খুদক্তা লোইশিনবা ঙম্মী। অঙকপা মতিক ময়াই চেনবা মীশকনি। নহা ওইরিঙৈ, ইনখৎলকপা মতমদা ম্যুজিক য়াম্না পাম্না হৌরকখি হায়বা তাই। হিংলিঙৈ মতমদা ৱারেংজ রিবগা য়াম্না তোয়না ৱারী শানজহৌই। লুনসু তিন্নে। মী য়াম্না চিনবা মফমদা থেংনরবসু মহাক্লবু উরবদি লাপ্না মখোল অচৌবদুগা লাউদুনা কৌরক্কনি। ঐবু খোঞ্জেল হৌনা কৌরক্লবা মহাক ওইরমগনি অদুম খঙই। ইয়াম্বা অসি, ম্যুজিক্কী লম্ অসিদা চপ চানা চঙশিনদ্রিঙৈদা ভোল্লিবোল শান্নরম্মী। য়াম্না নিংথিনা শান্নবা অফবা শান্নরোয় অমা ওইরমখিবনি। মশানগা খরা ৱাং চাউরে, খজিক্তং চোঙখৎলগা মহাক্না য়ৈথরকপা দ্রোপ কনা অমত্তনা ওকপা ঙমখিদে হায়নরিবা, শোন্নরিবা শান্নরোয়নি। অদুবু মহাক শান্নরোয় অমা ওইয়ু হায়বা অদুদি তম্লমদে। অদুনা লমখাংদা তোকখি। পোল ষ্টার ক্লব হায়বা অমা ৱাখল মান্নবা ময়াম পুন্দুনা ক্লব অমা শেম্লমখি। মদুনসু লৈবাক খুন্নাইগী য়াইফ-থৌরম কয়া অমা পাঙথোক্লম্মী। হেল্থ কেম্প, সোসল সর্ভিস কয়া লম হোং হোংদুনা চৎলগা পাঙথোক্লম্মী। মদুনা ইথিল পীদুনা লম-লমগী লৈকায় ক্লবশিংনা সোসল সর্ভিসকী ঈহৌ অমা কন্না হৌহনবা ঙমখি। মসিনসু লোইবা নত্তে। ব্লদ দোনেসন



হায়বসি ঙল্লিঙৈগী মতমদা হায়রিবা ক্লব অসিনা পাঙথোক্লম্মী। মখা তানা তোইনদি তৌখিদ্রে। অদুবু মখোয়না ঈ কৎপগী ঈথিল অসিদি মীয়ামদা পীরম্বনি। অৱা অনা তারবা কয়াগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা, ঈ কৎপা হায়বসি মখোয়গী ক্লব অসিনা য়াম্না মাঙজিল থানা চখ্থরম্বনি। অদুসু মতমগী মতুংইন্না মখা চথ্খিদ্রে। ইয়াম্বা অসি মশানগা ম্যুজিক পামজবগা মপা-মপা ওইদুনা ম্যুজিক্কী লম্দা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি। মসি মমাঙঙৈ মতম অমদা কোলেজশিংদা পাঙথোকপা ভোটতা ম্যুজিক সেক্রেটরি হায়বসি য়াম্না চাউই। অমনা হেক্তা ম্যুজিক সেক্রেটরি লেপ্ন রমদে। ঈশৈগী লম্দা খঙ-হৈবা মীওই নত্তনা। মদুদা ঈশৈ নোংমাইদা থৱায় য়াওবশিংনা ভোট খোম্বদা ঈশৈ শক্তুনগা য়াম্না তৌনরম্মী। কোলেজ কেম্পসতগী হেন্দোক্তুনা ভোটকী ঈশৈ লৈকায় য়ৌরকই। মদুগুম্বা কয়া অদুনা ম্যুজিক্কী লম্দা ঈথিল পীদুনা মাবু চিংশিনবীখি। ইয়াম্বা অসিনা হেক পামজবা পকচবসি মাউথ ওর্গান খোংবসিনি। য়াম্না নীংথিনা খোংখ্রবজাৎনি। মী পূম্নমক মাগী মাউথ ওর্গান্দা ঙাওনবনি। ফুরিৎখাওদা অদুম হাপ্পগা চৎপনি। কোয়থোক চৎথোকপদা মহাক্কী মাউথ ওর্গান অসি মাগী ফুরিৎখাওদা লেঙদনা অদুম য়াওবনি। মদু মফম চাবদা লৌথোক্তুনা তোইনা খোংলম্মী। মহাক্না মাউথ ওর্গান খোংবদু উবদা, ইশামক য়াম্না পামখি। মমল ইহোঙ হোঙবা সেকেন্দ হেন্দগী মাউথ ওর্গান লৈরগা খোংলম্মী, হৈয়ু য়াদবদগী অদুম তোকখি।

মণিপুরদা গিটর হায়বসি যূম্নাম রাজেননা খোঙবদা মীয়াম্না খঙবনি। মাগী মমাঙদা মীয়াম হেক খঙনা গিটর খোংবা মীসি লৈরমদে হায়না খল্লি। তামো রাজেনসু পকচৈ, তশেংনমক মহাক গিটর খোংগদবা মীশকনি। মাসি ৱেষ্টর্নগী মীসু য়াম মাল্লি। কাওবোইগী তুপী অমা অদুম উপ্পী, মোটোর সাইকল অমা তোংই। মশাদু পারপ তৌরগা গিটর অমগা পায়রগা চৌক্রি অমদা ফম্মগা পাকথরগা খোংবদি ফনা য়াম্না ফাওবা শৈশকপা থোরক্লবসু য়েংনদে, মহাক্তবু য়েংনৈ। তামো রাজেননা ইয়াম্বা দল্লিয়ু সেমসনদা ইন্সপ্যার য়াম্না তৌরমগনি খল্লি। মশামকসু তামো রাজেনগা গিটরগী মরমদা য়াম্না তানখি। গিটর খোংলকই। পকচৈ হায়নরিবা তামো রাজেন্দগী দল্লিয়ু সেমসননা অমুক হেন্না পকচখি। গিটরসি ইচম চম্না খোংবা নত্তে। অঙকপা মশাগী মুদ অমদা গিটর খোংবনি। রুপ-রাগগী মমিং লৈরবা শৈশকপা কয়াগী ঈশৈগী থৱায়সি মাগী গিটরনা হাপ্তুনা লাকপনি। মহাক য়াওদবদা ঈশৈ ফজবা ৱাৎলি, তানীং-য়েংনীংবা ৱাৎলি। ঈশৈ শৈফম অমদা মহাক্না মাগী গিটর সোলো, মাউথ ওর্গান, একোর্দিয়ন খোংদবা য়াদে। ওদিএন্সশিংনা চরাংনরকই। মহাক্কী সোলো পর্ফোর্মেন্স অসি য়াম্না ফজখ্রজাৎনি। হৌজিক্তি মদুগুম্বা অমত্তা শৈফম অমত্তদা লৈত্রে। দল্লিয়ু সেমসনদি প্রোগ্রাম অমা তৌবদা হেন্না মপূং ফাহনবদা মহাক্কী থৌদাং অদু চপ চানা উৎখিবা মীশকনি। অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ হায়রিবা অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্মী। অনৌবা প্রোগ্রাম কয়া শিনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকই। থৌরম খুদিংদা মহাক মাঙজিল থানা শরুক য়ারম্মী।

পাম্মুবগী চুম্না পাম্মুই হায়বা অসিনা ইরন্নাইগী ৱানি। লৈবাক্কী ওইনা য়েংবদা অমদি তুংলমচৎকী ওইনা খল্লুবদা নৎত্রগা মহাক্না লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু য়েংলুরগদি শক্লাইরবা মীশক অসিনা থুপখিবা অসিদি ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি। রুপ রাগ হায়রিবা লূপ অসিগী য়াম্না মচঙ ওইবা মীশক অমা ওইরমখি। মখোয়গী মতমগী মমিং লৈরবা রুপ রাগ শৈশকপা লৈখিদ্রবা অহৈবম শ্যাম, খুন জয়কুমার, হৌজিক হিংলিবা অরাম্বম জমুনা, নবা ভোলকেনো হায়রিবা কয়াগী মমিং লৈরবা ঈশৈশিংগী ম্যুজিক শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশকনি। ঈশৈগীনি হায়রবদি মতম চূপ্পা ফমদুনা প্রেক্টিস তৌবদা চোকথবা লৈখিদে। মহাক্লসু অনৌবা গিটরিষ্ট কয়া অমা পুথোক্লম্মী। মাগীদা গিটর তম্বা নহা কয়া লাকখি। মহাক্না নীংথিনা তম্বীদুনা মমিং লৈবা গিটরিষ্ট অমমম ওইহল্লমখি। ময়াম্না মহাকপু ওজা-ওজা হায়দুনা য়াম্না ইকায়খুম্নখি। হৌজিকসু মীয়ামগী চিন্দা পুদুনা লৈরিবা, ইন্টিগ্রিটিগী ফজরবা ঈশৈ অমা ওইরিবা ‘হিংমিন্নসি ঐখোয় তাইবঙ মালেম লৈকোলসিদা’ হায়বা অসি মহাক্না কম্পোজ তৌরম্বা ঈশৈনি। ঈশৈ অসি মতম চূপ্পগী ওইনা মাঙবা লৈতনা লৈহৌরগনি। ঈশৈ অসিদি তম্পাক্কী লমদা নত্তনা চীংগী লমদসু য়াম্না পাম্নে। অদুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী থৌরম পাঙথোকপদা চীংমী ইচিন ইনাওশিংনসু ঈশৈ অসি তোইনা শক্লরিবনি।

মমল য়াম্লবা ইয়াম্বা অসিনা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী মতম ঈশৈগী ওইনদি অচৌবা মাঙজবা অমনি। মণিপুরী মতম ঈশৈবু লৈরিবা থাক অসিদা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীশক অমনি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী নাক্তা লেঙদনা ঈংনা চিক্লা লৈবা ওইরসনু। করিগুম্বা মথংগী মপোক হায়বদুনা লৈরবদি লমদম অসিদা অমুক হন্না পোকপীরক্তুনা মরোয় মনাওশিং অসিবু লমজিংবীরবা ওইরসনু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।১২।২০২০ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ২.৫৩ ফাওবা পোইনুগী ৬নি পাল্লি। মতুং ৭নি পাল্লনি।

**মেষ :** নীংবা থুংগনি, শেন্দোং ফংগনি, মরুপ্পা চানবীগনি অমদি নচাক নরল চাওখৎকনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা অনম তান্নবদি য়াওরুনু- তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** ৱাখল থোকপনা থবক পাংগনি অমদি লাইবক ফবনা অফবা মফম কনবসু ঙমগনি। লেংদবা লন লেপশিনবগী নুংঙাইগনি, ঙাঙ-শকপা হৈবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক থোইনা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** ৱানোম থৌনোম কান্নবা ৱাৎকনি অমদি মরম খঙদনা হোয়া ফবনা নথক থোংবগা মুক্লবা য়াবা লৈ। অরুবা থবক্তি য়ৈথোকপনা হেন্না ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - থিবা হুম্বা কল্লু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**কর্কট :** অরাপ্পা মফমদগী কান্নবা ফংজগনি অমদি লৌশিং ফুদোক্লা থৌ পাংবা মায় পাক্কনি অমদি অচুম্বনা মাংওইনবা ফগনি। লাই গুরুনা চানবীগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা অমদি অনৌবা অশা লাকপদা নত্তনা অনৌবা থবক পায়বদা চাওনা কান্নগদবা নুমিৎনি। ফিংগনু-খৎনবা য়াই-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী:** নুংশিবনা চানগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** মীচং লৈগনি, ললোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংগনি অমদি তুংগী পোরম য়াৎথোকপা হৈগনি। য়েৎনবা অমদি লাংতক্লবনা মাঙজবদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** থেংলপ্পা হকচাং নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবা লৈগনি। চরাংনবা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা নুমিৎনি অমদি মরুপ খনবা হৈত্রদি- য়েৎনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা তেংবাংবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি ইমুং মনুংগী ৱা তারগা পাংবা থৌরমদা চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। নাপল তৌরদি লন ময়েং তাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংঙাইজগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** লাইবক ফরনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। অদুবু ৱাঙাঙবা হৈত্রদি ইকাইবা নংগনি, ফিংলগনা মরুপ কাইননি, শোকপা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল খরা নুংঙাইরনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** লৌশিং ফুদোকপা ঙমদ্রসু অমদি হকচাং নুংঙাইবা খরা ৱাৎলসু মীনা থাগৎপিবদি লৈগনি।অরং অরাক ফংবা য়াবা অমদি পোরম য়াৎপা ফবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙবদা রাশি য়াওগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি মীচং ফংবা নুমিৎনি। লৌশিং থোকপদি ৱাৎপা অমদি মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈবা য়াই। লৌশিং চাওবগী ৱা তাও।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** চরাংনবনা কাইনবা নত্রগা চাদিং হেনবা লৈগনি । ইচং থৌবদি কান্নগনি, মী ঙমগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংজগনি। অপানবা লন ফংবৈসু নুংঙাই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




ওজা : পিশকতোন, গধাগী মমৈ করিগী লেংলিবনো?
পিশকতোন : সর, মমৈনা গধা মশাবু থাঙ্গৎপা ঙম্বগী থৌনা লৈতে অদুনা গধাগী মমৈ লেংলিবনি...!

---

য়ুঙাওবা অমা লম্বীদা হায়র-হায়রদুনা চৎতুনা লৈরম্মী। মহাক্না লাইনিংবা নুপা অমদা থেঙ্গায়রম্মী।
লাইনিংবা : অঙাওবা য়ু থক্লগা লম্বীদা চৎলিদুবু ! ঙাইখো নঙ ঐনা শ্রাপ পীগনি।
য়ুঙাওবা : য়াজরে লাইনিংবা ঐ হৌজিক য়ু বোটল মরী থক্লগা লাক্লবনি।

---

ওজা : তোমচা, নঙ উচেকশিংগী মরমদা লোয়না খঙবরা?
তোমচা : খঙই !
ওজা : ফরে, অদুদি করম্বা উচেক পায়বা ঙমদে?
তোমচা : অশিবা উচেক ...!

---

মেদাম : মেধা নঙ নোংমতা বুক হাংদোক্তুনা পাবা উদে। করম তৌনি ইবেম্মা নঙ?
মেধা : মেদাম ঐ নুমিৎ খুদিংগী বুক হাংদোক্তুনা য়েংঙিনা !
মেদাম : করম্বা বুক?
মেধা : ফেসবুক ....!!!

---

ওজা : সান্তা, নাকল অমদনা য়াম্লবা শেল অদুগা নাকল অমরোমদনা হৈশিংবা (নোলেজ) লৈ। অনীসিদগী অমা খল্লু হায়রবদি করম্বা খনগনি?
সান্তা : য়াম্লবা শেল।
ওজা : লাল্লে, হৈশিংবা (নোলেজ) ওইনা খনগদবনি।
সান্তা : ওজা হায়বিরিবদু য়াম্না চুম্মী মরমদি মীওই খুদিংমক করিগুম্বা পোৎশক ময়ামদগী অমা খন্নবগী তাঞ্জা ফংবদা মশাদা লৈতবা পোৎশক্তু হান্না খন্নবনি...!

---

বাইওলোজিগী ওজা : সেলগী ৱাহন্থোক হকচাংদা লৈবা মীৎনা উবা ঙমদবা অহিংবা জিবশিং...
ফিজিক্সকী ওজা : সেলগী ৱাহন্থোক বেটরি ...
হিষ্টোরিগী ওজা : সেলগী ৱাহন্থোক জেল ...
ইকোনোমিক্সকী ওজা : সেলগী ৱাহন্থোক পোৎ য়োনবা...
ইংলিসকী ওজা : সেলগী ৱাহন্থোক মোবাইল...
ৱাহৈ অমখক অসিদা ওজা মঙাগী ৱাখল অমত্তা মান্নদে, অসিগুম্বা স্কুল অদুদা তম্লগা করি কান্নগদৌরিবনো ...!!

---

নাওচি লাইয়েকপা য়াম্না হৈ, মানা য়েকপা লাই অসি অহিংবা মীগা চপ মান্নে। পোৎশক খুদিংমক য়াম্না মান্না য়েকই।
স্কুলগী ওজা : তামো, নঙগী নচানুপা অসি য়াম্না লম হেল্লি, ঙরাং মানা লম্বীদা লুপা লিশিং অনী চৎপী অমা য়েক্লম্মী, মদু খুন্নবা হোৎনবদা ঐগী খুজিন তেকখি।
নাওচিগী মপা : ওজা ঐ ইশামকপসু হোস্পিটালদা লৈরুরবনি। নোংমা মানা মৈ থান্নবা ব্লবতা আইস্ক্রিম ওইনা য়েকশিল্লম্বদগী চারুবদা ....!!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।


Title: Scenery
By: Savella Koijam
Class: II Sec: Roll No. 10
School: Career English Academy


Title: Back Side of Girl
By: Henthoisana Pukhrambam
Class: III Sec: B Roll No. 2
School: Mother's Pride Academy, Bishnupur



Title: Use Mask Stay Safe
By: Marson Meitei Thoudam
Class: I Sec: Roll No. 51
School: Laisukol, Thoubal Achouba


Title: Scenery
By: Nungshithoi Keisham
Class: II Sec: Roll No. 34
School:


Title: A Rose
By: Pukhrambam Parlin Meitei
Class: II Sec: B Roll No. 57
School: Don Bosco Hr. Sec. School, Chingmeirong


Title: A House
By: Rency Konthoujam
Class: II Sec: Roll No. 6
School: Free Progress Academy Konthoujam


Title: Cows
By: Sushmita Sagolshem
Class: V Sec: A Roll No. 5
School: The Paradise English School ,Thoubal okram


Title: Rapunzel
By: S. Lilicha
Class: IV Sec: Roll No. 24
School: Scholars Academy


Title: AK 47
By: Shinthangamba
Class: 3 Sec: Roll No. 2
School: CTES Sugnu

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।